# "কায়রবা ঋতুগী তান্থা"

## EPISODE-30

**(Norms, Conventions, and institutions to cope with climate change)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) ইবোতোম্বা - স্কুল ওজা (২) পারীঙানবা - কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ার
(৩) লোয়াম্বা - এগ্রিকলচরিষ্ট
নুপী:- (১) লৈহাও - ইবোতোম্বগী নুপী
(২) মেমথোই - ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট

(মতম:- অয়ুক, মফম: ইবোতোম্বগী য়ুম, রেডিওদা ঈশৈ খোংবগী মখোল)

লোয়াম্বা :- করি থাদা লাকউগে... মেরা থাদা লাকসিরা... করি থাদা লাকউগে... মেরা থাদা লাকসিরা... ফাইরেন থাদা লাকউরা... বর বার্তন ঙাইজরি... (ঈশৈ ঙংবা)।

লৈহাও :- কৈনো ঙসিদি ইনাওদি ঈশৈগা ঙং ঙংদুনা ঙন্তানা লৈবাক তৌরল্লিসিবো (নোকপা) ... ঐদি নঙ হৌগৎত্রিমাল্লে হায়দুনা নঙগী কাদা হৌদোকপা চঙলুরিনি, সে সে নঙগী চাগা তলগসু পুবিরক্লবনি সিদা থমলেকো।

লোয়াম্বা :- হোয় ইতৈমা থম্বীরম্মো, স্বাইগী ইখোল মতেকসিমা হাংদুনা লৈবসে নুংঙাইতদুনা হৱাইমুবী থাজিনশিরা হায়দুনা লৈবাক তৌরম্বনি।

লৈহাও :- ঐখোয়গী মমাং ইখোলদু ঙরাং ঐনা চঙলগা য়েংলুবদসু য়াম্না ফজহৌরে, হঙ্গাম পাম্বীশিংদুসু মকা য়াম্না তাহৌরে, হৱাইথরাকসু মপাল শাৎহৌরে।

লোয়াম্বা :- ইখোলশিংসে অরেম্বদা কান্নদবা লম্চাং ওইদুনা লৈদৌ শরুক মতম মতমগী চান্নবা মনামশিং থাজিল্লবদি অফবা অশেংবা কেমিকেল ফর্টিলাইজর হাপ্তবা মনা-মশিং মরাং কায়না চাবসু ফংলনি, অহেনবা ঐখোয় ইমুংনা চাবা ঙমদবশিং অদুসু য়োল্লোক্লবদি পৈশাসু ফংলনি, শেন্থোক লম্বী অমসু ওইরনি।

লৈহাও :- ইনাওনা তৌরিবা থবকশিংসে য়াম্না কান্নবা অফবা ঙাক্তনি, নঙদি এম.এ.সি. এগ্রিসু পাস তৌরবনি অদুনা লৌউ শিংউবগী মরমদদি থোইদোক হেন্দোক্লা খঙলবনি, ঐখোয়গী লৌ পরী মঙাখক আ অৱাং খুনৌদা লৈরিবদু তোলেনহোয়দা লৌ উহল্লিবনি হায়দুনা তৌরিবদু লৌশানসু ফজনা শুংপি পীরক্তে অদুনা ঐখোয়না কান্নগদবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং থাদুনা, শা-ঙা য়োক্তুনা ফজরবা ফার্ম অমা ওহোক্লসি।

লোয়াম্বা :- ঐনা খল্লম্বা, তৌনিংলম্বা থবক অমা ঙসি ইতৈমনা হৌদোরকপসে ঐ হায়ফম খঙদনা নুংঙাই, হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভমদসু চাওনা অকায়বা অহোংবা ওইরকপসিদা মফম মতমগী মতুংইন্না চান্নবা মহৈ-মরোং থাবসু ঐখোয়দা য়াম্না কান্নগনি।

ইবোতোম্বা :- লৈহাও... লৈহাও... লোয়াম্বা লোয়াম্বা ... নোয়বু কদায়দা লৈবগেনে... লৈহাও (কন্না কৌবা)।

লৈহাও :- কৈদৌরগে অদুক কন্না কৌবীরিদুবো, ঐগা লোয়াম্বগদি সিদা য়েনাখারোমদা লৈ।

ইবোতোম্বা :- নোয়দি সিদদি করি তৌরল্লিবা, ঐগী অয়ুক্কী চাগা অমতা পীরমদ্রদি কৈদৌরবা লৈহাও নঙদি।

লৈহাও :- মোয় তাচৌ, ঐদি ঐখোয় ইবুংঙো লোয়াম্বনা ঙন্তানা লৈবাক তৌদুনা লৈরম্বদুদা মাগী চা হান্না পীরল্লগে হায়দুনা পীরম্বনি অদুদা য়াম্না কান্নগদবা ৱা অমখক সুম খন্নরম্বনি, ঐ মোয় তাচৌগী চা অমুক্তা লৌজরুখিগে, লোয়াম্বাগা ঙহাক ৱারী শান্নবিরম্মু।

ইবোতোম্বা :- নতৈমগা নঙগা কান্নগদবা ৱারী অমা শান্নরম্মী হায়রিসিবু করম্বা ৱারীনোনে, ঐসু খরা খঙগেদনা, ঐঙোন্দসু হায়যুদনা।

লোয়াম্বা :- তাচৌ ! ঐখোয়গী লৌফমশিংসি হৌজিক ফৌথোকসু য়াম্না হন্থরক্লবনিনা, ফার্ম ওন্থোক্লসি হায়না ইতৈমগা সুম খন্নরম্বনিদা।

ইবোতোম্বা :- ওহ ! মদুসু অফবা ৱাফমনি নোয়না খন্নরল্লিবদো, নঙনসু গোভর্নমেন্তকী জোবসু তৌ হায়বসু শিখাং খাংদুনা য়াদদুনা লৈরে, ঐসু নঙগী নথৌ অমা মেন তানা তৌদদুনা লৈবসিদা পুক্লিংসে চরাংনদুনা লৈরবনি, নঙনবু ফার্ম অসি ফজনা মায় পাক্লা তৌবা ঙল্লবদি য়াম্না ফবা ৱাফমনি।

লৈহাও :- মোয় তাচৌ চা লৈজরে, নচিন ননাও ফার্ম তৌবগী ৱাফমদুবু য়ানরব্রো।

ইবোতোম্বা :- নোয়নবু ফনি হায়রদি ঐগীদি অথিংবা অমতা লৈতরে, ফার্মদু খরা থুনা শেমগৎ শাগৎনবদুম হোৎনরসি।

লোয়াম্বা :- তাচৌ ! ঐ থুনা থবক পায়খৎনবা হোৎনরগে, ঐখোয় লৈকায়গী নহা লাইরিক লাইশুদি খরা হৈজরবা কাংবুশিং থবক ফংদদুনা কঙাওনদুনা লৈরিবা ময়ামসিসু ঐগী ফার্মসিদা য়াওহনগে খল্লি।

লৈহাও :- অদুদি য়াম্না ফবা থবকনি ইবুংঙো, ঐখোয় ময়াম চংদুনা খরা থুনা থবক পায়খৎনবা হোৎনরসি।

ইবোতোম্বা :- থবক অমা পায়খৎপা হায়বসে পৈশা য়াওদনদি পায়খৎপা য়াবা নৎতে, ঐসু স্কুল খরা ঙন্না চৎনবা তৌগে ঙসিদি, ইমান্নবা অমা অনিদংসু উন্নরগা অহানবগী থবক হৌগৎনবগী পৈশা খরা লৌথোক-লৌশিন তৌনবা য়াবরা য়েংগে, চাক্তু পরপ পরপ থোংদোক্লুরো লৈহাও নঙসু।

লৈহাও :- হোয় মোয় তাচৌ, ইবুংঙো নঙসু লৈবাক তৌবদু লোয়শিন্নবা তৌরো, ৱারনি।

লোয়াম্বা :- হোয় ইতৈমা, অদো ইতৈমা এঙ্গাংদি খরা হাওবা অমা থোঙশিকো।

-ম্যুজিক-

(মফম: নিউয়োর্ক সিটি, মতম: অয়ুক পুং নিপালমুক তারকপা মতম, টি.ভিদা ইংলিস নিউজ লাকপগী সাউন্দ)

মেমথোই :- দাদা... দাদা... দাদা থেংঙে সে হৌগৎলো হায়বা, ব্রেকফাষ্টকা লোয়না শেমদুনা থন্লবনি হৌগৎলো হায়বা।

পারিঙানবা :- অস ! ঙহাক্তা তুমখিগেবা, ঙরাংসু থবক ৱামনখিবগা থেংনগা তুম্বগা ইশাসে পুমতেক তেক্লে, ইচলদি মরমমোকপীনি ব্রেকফাষ্টতু নঙ হান্না চাথোক্লুরো ইবুং মিনট ১০মুক্তা তুমখিগে।

মেমথোই :- হুম ! ঐখোয়গী আ ইম্ফালদদি হৌজিকসে নুমিদাংগী মতম ওইশিল্লক্লল্লনি, আদা লৈবা ওইরদি হৌজিকসে নুমিদাংগী চাকপু চারনি, ঐখোয় ইমাদি নুমিদাং চাক ঙন্না ঙন্না থোংবনিকো, দাদা ইমা য়াম্না নুংশিরকই ঙসিদি, কুইরেকো ইমানা ঐখোয়বু থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা তিনখ্রিবসে, ইমা লৈরম্লবদি দাদা ইবানি নিউয়োর্ক সিটিসিদা লৈদুনা থবক তৌরিবসিসু য়ারম্লোইকো।

পারিঙানবা :- অচুম্বনি, ইমানা ঐখোয়বু কৈদৌনুংদা থাপলবা মীরমসিদা থবক তৌদুনা লৈবসে পাম্লম্লোই, ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ঐখোয় অনিনা তৌফম খঙদ্রদুনা কঙাওনদুনা লৈবা মতমদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্টেল কঞ্জার্বেসন, নিউয়োর্ক সিদা থবক ফংবগা তাঞ্জা চান্নবদুদা হৌজিক্তি ইবানি মফমসিদা থবক তৌদুনা লৈরক্লিবসি চহি অনি ফাজিল্লক্লে।

মেমথোই :- দাদা ! ঐ ৱা অমা হায়গে য়াগদরা?

পারিঙানবা :- করিনো মেমথোই নঙনা হায়নিংলিবা ৱাদুবো, অফবা কান্নগদবা ওইরগনা য়াবা তাবনি কান্নদবা ওইরগনা য়াদরেদনা।

মেমথোই :- ঐখোয়গী খুনদো নুংশিবনিদা, ফজবনিদা, কুইরেদা খুনগী লম্পাক্তা ফমদুনা ইমান্নবী ময়ামগা শীংজু চামীন্নবা ফংলক্তবা।

পারিঙানবা :- কৈনো নঙবু হৌজিক্তা ৱা অমা হায়গে হায়রমদাইনে, ৱাদি হায়দ্রদনা ঐখোয়গী খুন নিংশিংদুনা অমুক লৈরিদুনা কৈদৌরগে।

মেমথোই :- চহি অনিসিগী মনুংদা ঐখোয় খুনগী শক্তমদো খংওন ওল্লমগদবা মাল্লে, দাদা ইবানিনা অঙাং ওইরিঙৈদা খুৎশম্নদুনা খাও অমমম য়াল্লগা স্কুল কারিবনি হায়দুনা চৎমীন্নখিবদুসু নীংশিংলকই, ঐখোয়নদি ইমা লুখ্রাবী লাইরবীগী মচা ওইরুবনিনা ইমান্নবা ইমান্নবী পুন্নমক্না ভান তোংদুনা স্কুল কাখ্রগা, দাদা ইবানিনা খোঙনা হাথু হাথু স্কুল য়ৌনবা চৎখিবদু ক্লাস নংলরোই হায়দুনা (পুক্লিং নুংশিনা হায়বা)।

পারিঙানবা :- হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংদা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা চাওনা অকায়বা অহোংবা কয়া লাক্লবনিনা ঐখোয় খুনসু শোয়দনা অহোংবা কয়া লৈরম্লনি, খুনগী উমং-ৰামংগী শরুক অয়াম্বসু কোকথোক্তুনা মীওই কয়া খুন্দাশিন্দুনা লৈরে হায়নসু লোয়াম্বনা ফোনদা হায়রকপনি।

মেমথোই :- ওহ ! দাদা লোয়াম্বগা দাদাগদি ফোনদা পাও ফাওনবোরে, দাদা লোয়াম্বদু ঐবুদি নোংমতা নীংশিংবীদ্রবমাল্লে, নোংমতসু ৰা অমতা হংবীরক্তে হায়বীরক্তে।

পারিঙানবা :- ইহে ঐদি নঙোন্দা হায়বা কাওরুরে, লোয়াম্বনা নঙগা ৰারী শান্নগে নঙগী ফোন নম্বর পীরকউ হায়রকপনি, ঐনা নহাল লেবোরেটরিদা লৈরিঙৈদা।

মেমথোই :- দাদাদি অদুম পীখিদ্রবরো, ঐসু দাদা লোয়াম্বা, ইনম্মা লৈহাও, তাচৌ ইবোতোম্বাহোয়দো য়াম উন্ননিংঙি, ঐখোয়না ৰারবা মতমদা মখোয়না ঐখোয়গী ইতেং য়াম্না পাংবীরকখিবনি।

পারিঙানবা :- তাচৌ ইবোতোম্বনা ঐখোয়বু লমজিং লমতাকপীরমদ্রবদি ঐখোয়না ঙসি মীরমসিদা লৈদুনা মালেমসিবু কন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংসে ঙল্লম্লোই।

মেমথোই :- দাদা হন্দক্কী ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা পাংথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অসি য়াওরম্লগা মতম খরা শুতি লৌথোক্লগা ঐখোয়গী পোক্লফম লমদম, ঐখোয়গী ইরমদমদা চৎলুসিবা।

পারিঙানবা :- উম চৎলুসি, ঐসু অমুক্তং চৎনিংদুনা লৈরম্লিবনি (ফোন রিং লাকপা) এ ! লোয়াম্বসে ফোন অমুক তৌরক্লেনে, মাগী হৌনবী ঐঙোন্দা শাওজিনলক্লনিনে তৌরিসে নঙগী ফোন নম্বর পীহৌদবগী (ফোন রিসিপ্ত তৌবা) হল্লো ... লোয়াম্বা করি লৈরগে কৈদৌরগে....।

লোয়াম্বা :- পারিঙানবা ! নঙবু নহাল ঐনা মেমথোইগী ফোন নম্বর অমুক্তা পীরকউ হায়রগা পীরক্ত্রুদি কৈদৌরবা?

পারিঙানবা :- ঐ থবক খরা চীনবদুদা হায়বা অদুম কাওরবা, মেমথোইসু ঐগী ইনাক্তা লৈ হৌজিক, সে নঙনা ৰারী শান্নগে হায়দু শান্নরো... মেমথোই সে ফোন সে পাইয়ুসে লোয়াম্বগা ৰারী শান্নরম্মু, ঐ ৰাসরুম চংলুগে।

মেমথোই :- হল্লো... দাদা লোয়াম্বা নুংঙাইরিবরো, কমদৌরিগে, দাদাবু করি করি থবক হোৎনরিগে।

লোয়াম্বা :- ঐদি লৌ খরা উ, মনা-মশিং খরা থা, লৈবাক খরা তৌ অদুম মতম লেল্লি, করি তৌরুনি ঐখোয়নবু, মী মচাদি নিউয়োর্কতা সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈখ্রবনিনা নোংমতসু লাপ্পবা নরমদম নঙগী পেরুফমসিদা লাইরবা মতিক চাদবা ঐখোয় অমা লৈহৌরিগসে নিংশিংবীপোৎ নৎতে।

মেমথোই :- দাদা লোয়াম্বা নঙগী ৱারৌবা ৱাঙাংদুমদি অদুম হৈনবী ওইরেনে, ঐনা দাদাহোয়বু নোংমতা কাওথোকপা লৈজদে, থবক চীনমনবসিদা দাদাহোয়গা তোয়না তোয়না ৱারী ৱাতাই শাবদি ফংজদরে ৱারৌবীনু, হন্দক ঐখোয় দাদাগা ঐগা য়ুমদা থোরক্কনি অদুদা দাদানা ঐঙোন্দা হায়নিংবা, ঙাংনিংবা, চৈনিংবা পুম্নমক নচিল পেন্না ঐসু ঙাংবিয়ু চৈবিয়ু (পুক্লিং নুংশিবা)।

লোয়াম্বা :- হে ঐনা নুংশিদুনা ফাগী তৌরগা নঙদি ঐবু ৱারৌরবমাল্লে, নোয় অওইবমক্কী লাক্কদরা, করম কান্দা লাক্তোইনো ঐদি নঙবু অদুম নীংশিংদুনা লৈ, নুমিৎ খুদিংগী ইবানিনা ফম্মীন্নখিবা খোঙনাং মখোংদুদা নুংতিগী ফম্লুই ইতোমতা, নঙবু লাক্কদরা লাক্কদরা খন্দুনা, ফরেসে মসিগী ৱাসি তোক্লসি নোয়বু তাং কয়াদা লাক্তোইনো।

মেমথোই :- চপ চাবদি খঙদ্রি, য়াম থুনা লাক্লবা ঐখোয় দাদাদা হায়গে, ইনম্মগা তাচৌগদি কমদৌরিগে, না য়েক্তবরা?

লোয়াম্বা :- অনা অয়েকপুদি য়াওদে, অদুম হীংলি হায় তারে।

মেমথোই :- তাচৌগা ইনম্মগদো ঐনা হংলকই খরা তন্বীয়ু, অদুদি দাদা লোয়াম্বা ফোন থন্নগেকো।

লোয়াম্বা :- উম থম্মো থম্মো, নঙনা য়াম্না পামজনা থারম্বা উ-থম্বাল পাম্বীদুসু চাওরে, লৈসু য়াম্না পোল্লে, নঙনা লাকপগা লৈ শাৎপগসু চান্নরনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইবোতোম্বগী য়ুম, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

ইবোতোম্বা :- করিনো হন্দক্কী নীংথমথাসিদি, ইংদে ইংদে হায়রম্বদু ঙসি নোংমা নিনিসিদা খঙইং ইংশিলকইসিবো, ইস ঐবু ইংবনা নীক্লেনে তৌরিসে, লৈহাও নঙবু কৈদৌরিগে ইমুংদুদা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা ঙসাইদগী অদুম লৈরিদুবো, মৈফুদুবু অমুক্তা থাগৎলকউনে নঙবো ঐবু ইংবনা লোয়রেনে।

লৈহাও :- হো ঐদো মোয় তাচৌনা থক্লনবা চা লোনলুবনি, সে চা অশাবসিদুম প্রপ প্রপ থকচীনবীয়ুসে ইংলিবদু খরা ফনবা, মৈফু হৌগৎনবা মৈতালসু অমতা লৈতে, লৈরুগদবসু ঐখোয় লোয়াম্বনা মৈতাল মৈ থাবা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসশিং থাদোরকই অমদি অকোয়বগী নুংশিৎ শেংহন্দনবা মরম ওই হায়বদুদা মৈফু হৌগৎলরোই খন্দুনা অদুম মৈতালদু লৈরুদ্রবনি।

ইবোতোম্বা :- হন্দক্কী চহিসিদি নিংথম থা হায়দু ওইবু ওইররোইদরা খল্লুবনি অদুবু ইংবগী চাংসি জর জর হেনজিল্লকই, মমাং চহিদগী হন্দক্লা ইংবগী চাংসি হেনগদৌরিবরা করিনো খঙদরেদা।

লৈহাও :- মোয় তাচৌ, হৌজিক মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংসিদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরক্লিবসি নৎতরা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়না মীয়াম্না ঙাংনরিবা হায়নরিবসে।

ইবোতোম্বা :- উম মানিনে, নঙদি কদায়দা তারুরিবা, কমায়না খঙলিবা।

লৈহাও :- হৌজিক য়াম তোয়না তোয়না রেডিওদা টি.ভি. দা হায়রিবা উৎলিবা ময়ামশিংদুদগী খঙলিনি কৈনো।

ইবোতোম্বা :- নঙদি খঙবদা কান্নবা ৱাফম ময়াম অমা খঙলমলেদনা, অতৈ লায়রি লোয়াম্বদুবো ঙসাই অয়ুক ঙন্তা হাথু-হাথু চৎখিবদুবো কদায়দা চৎকনি হায়রমগে হৌজিক ফাওবা হল্লকত্রিসিবো।

লৈহাও :- ঐখোয় মখা লৈকায়দা লৈরম্বা মীরমদা সাইন্টিষ্ট ওইদুনা লৈখিবা পারিঙানবগা মাগী মচলনুপী মেমথোইদুগা ঙরাং থোরকই হায়য়ে, মোয় উন্নরুনি হায়দুনা চৎখিবনি।

ইবোতোম্বা :- অওইবরা লৈহাও, ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা অঙাংশিংনি, ওন্থোক্লসু ফখ্রবা মরম মোকখ্রবা, মখোয়দি হৌজিক মালেমসিগী ওইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবসিদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াসিদা মাংজিল থানা হোৎনরিবা সাইন্টিষ্টশিংগী মমিং পন্নবদা নহা য়াম্না ওইনা মখোয় অনিগী মমিংসু য়াওরবনিনে।

লৈহাও :- মোয় তাচৌ ! পারিঙানবগা মেমথোইগসে ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা লেমজনিংঙাইনিকো, আদা ঐখোয় লোয়াম্বগা লাকমীন্নরিবশিং অসিবু...।

ইবোতোম্বা :- হায় অসিবু পারিঙানবগা মেমথোইগা নৎত্রনে, য়েংঙুনে নঙবো অমুক্তা মুন্না।

লৈহাও :- হোয়নে মানিনে, পারিঙানবা... মেমথোই... লাকও লাকও চংঙকও লাকও (হরাওবা)।

ইবোতোম্বা :- ঐদি নখোয়গী নশকসে পাক লাকশিনবা ঙল্লুদরে, কুইরেদা নখোয় অনিগা উন্নরক্ত্রিবসে, ফম্মু ফম্মু মোরাদুদা ফম্মু।

পারিঙানবা :- তাচৌ খুরুমজরি, ইতৈমা খুরুমজরি করম করম পাল্লিবা নুংঙাইবিরিবরা?

মেমথোই :- তাচৌ... ইনম্মা ঐসু খুরুমজরি।

লোয়াম্বা :- পারিঙানবগা মেমথোইগনা তাচৌগা ইতৈমগা উন্নিংঙি হায়বদুদা ঐগা হেক্তা লাকমিন্নরবনি, ইতৈমা চা অহাওবা অমমমতং থকসি, চা খরা লোনবিরকউ।

লৈহাও :- হোয় হোয় লোল্লক্কে লোল্লক্কে, নোয় ঙাইহাক ৱারী শারম্মুকো, ইতৈমা চা থুনা লোনলক্কে।

ইবোতোম্বা :- পারিঙানবা ! নঙনা আদা মীরমদা লৈদুনা তৌরিবা থবকশিং অদুগি মরমদা খরদং ইয়াম্বদসু খঙহনলুদনা।

পারিঙানবা :- তাচৌ ! ঐ হন্দক্তা নিউয়োর্ককী ফার্ম কম্পনি অমদা অমুক লৈদুনা গ্লোবেল ক্লাইমেৎ মোডেল্লিংগী থবক থৌরম কয়া অমা ঐনা তৌজরি। ঐনা থবক তৌরিবা কম্পনি অসিগা আমেরিকাগী নেসনেল এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা থবক কয়া অমসু পায়খৎলি অদুগা ঐখোয়গী কম্পনি অসিগা 'নৌৱা' (এন.ও.এ.এ.) গসু পুন্না থবক থৌরম কয়া গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা পাংথোকমীন্নে।

লৈহাও :- কৈনো নোয়না হায়রিবা 'নৌৱা' (এন.ও.এ.এ.) হায়রিসিবু ঐখোয়না থায়না লাইরিক তম্বদা য়াওবা 'নৌৱাজ আর্ক' হায়বদুরো, করিনো হায়বনি।

মেমথোই :- (নোকপা) ইনন্মা 'নৌৱা' (এন.ও.এ.এ.) হায়বদি নেসনেল ওসিনিক এন্দ এটমোস্ফেরিক এডমিনিষ্ট্রেসন হায়বনি। হায়রিবা এজেন্সি অসিনা সমুদ্রগী অকোয়বগী ফীভম ঙাকশেনবা, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকহল্লিবা অমাংবশিং, নুংশিৎ শেংহনলক্তবা, অইং-অশাগী ফীভম কায়রকপা কয়াসিদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি।

লোয়াম্বা :- মেমথোই, নঙদি হৌজিক হৌজিক করি করম্বা দিপার্টমেন্টতা অমুক জোইন তৌরগে, হান্নগীদুদা অদুম লৈরিবরা।

মেমথোই :- হোয় দাদা ঐদি অদুম হান্নগী ঐগী থবক তৌফম ইনভাইরোন্টমেন্ট দিপার্টমেন্টতুদা অদুম তৌরি, ঐগদি ইনভাইরোন্টমেন্ট ডিপার্টমেন্টনসু হেন্না চানৈ অদুগা ঐদি অতোপ্পা ডিপার্টমেন্ট অমদা অমুক হোংলরোই। অদো দাদা লোয়াম্বদি হৌজিক করি করি হোৎনরিগে, মখা রিছার্চকা অমতা তৌথদ্রবরো?

লৈহাও :- ঐখোয় লোয়াম্বদি গোভর্নমেন্টগী থবকসু তৌ হায়বা য়াদরে, মশাগী ফার্ম তৌনি হায়দুনা ঐখোয়গী লৌফমশিংদুদা ফার্ম অমা শেমগৎনবা হোৎরি। ইহে ঐদি চাসি পুথোরক্লগা নোয়গী ৱারীদা নুংঙাইমনখিদুনা পীবগা লোয়না কাওরে। ময়াম চা থকঅসি, টেবলসিদা পুল্লপ থম্মেকো।

ইবোতোম্বা :- খঙদ্রেদা ঐখোয় লোয়াম্বনা তৌগদৌরবসে, মাগী ফার্মসিবু মপুং ফানা মায় পাক্লা শেমগৎপবু ঙমগদৌরিবরা।

পারিঙানবা :- তাচৌ পুক্লিং চঙনা থৱায় য়াওনা হোৎপু হোৎনরবদি করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো, মতম মতমগী ক্লাইমেৎ কন্দিসনগা চান্নবা মহৈ-মরোং, মরু-মরাং পম্বীশিং থাদুনা পোৎথোক লৈনবসু হোৎনবা তাই, হৌজিক্তি নোংজুগী চাংদসু অকায়বা অহোঙবা কয়া লাক্লবনিনা।

লোয়াম্বা :- খঙদরে মরুপ, ঐসে তৌরু তৌরুবদসু দাও অমা ইয়া য়াদে, নখোয়দি নদাও য়াই, মায়পাক্লবা মীওই অমা হায়বদু ওইরে, ঐ শুংহোৎমক হোৎনদবদি নৎতে (মথৱাই নুংঙাইতবা)।

মেমথোই :- দাদাগীসু তাঞ্জা চাবা অমা শোয়দনা লাকখিনি, দাদাগী ফার্মসি শেমগৎ শাগৎপদা ঐসু দাদাগী নতেং পাংজগে।

লৈহাও :- ঐখোয় অসুক য়াম্না লৈরিসিদি, ঐখোয় ময়াম চঙদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনরগা লোইরে। অতৈ লাইরি ইবুংঙো পারিঙানবা, হৌজিক মালেমসিগী অখঙ-অহৈ অয়াম্বনা মালেমসিগী অইং-অশা নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অকায়বা অহোঙবা কয়া থোরকপদগী ঐখোয় থৱায়পানবশিংগী পুন্সিদা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা চাওনা অমাং অতা থোকহল্লে হায়রি, মসিদগী ঙাকথোক্লবা করম করম্বা ইনষ্টিটিউৎ, ওর্গানাইজেসনশিংনা করি করি হোৎনরিবগে হায়বদুসু খরদং খঙনিংঙি ইতৈমদি, নোয়দি মসিগী মরমদা থিজিল্লিবা নৈনরিবা মীওইনিদো।

পারিঙানবা :- ইতৈমা, আই.পি.সি.সি হায়বদি ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিবা অসিনা মালেমগী ওইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না চাওবা থৌদাং কয়া লৌরি।

ইবোতোম্বা :- ওহ ! ইবুংঙো আই.পি.সি.সি হায়রিবা ওর্গানাইজেসন অসি নোবেল প্রাইজসু ফংখ্রে হায়না তাই চুম্রা?

পারিঙানবা :- উম অচুম্বনি তাচৌ, ইং ২০০৭ দা আই. পি. সি.সি. দা নোবেল প্রাইজ পীখি।

মেমথোই :- হায়রিবা ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি ইং ১৯৮৮ তা ৱাল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ. এম. ও.) অমদি ইউনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরোন্টমেন্ট প্রোগ্রাম (ইউ.এন.ই.পি.) অনিনা পুল্লগা লিংখৎখিবনি।

লোয়াম্বা :- হায়রিবা আই.পি.সি.সি অসিনা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবগী মরমসি মখোয়গী মরিশুবা এসেসমেন্ট রিপোর্ট হায়বদি সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট পোলিসিশিং শেমদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা অমদি কন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগীদমক্তা নৎতরা?

পারিঙানবা :- মানি মরুপ, হৌজিকসু আই.পি.সি.সি. না লেপ্পা লৈতনা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া শেমদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবনি।

লৈহাও :- মেমথোই ! মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা খন্না নৈনবা হৌরকখিবগী ৱারীদুসু ইনম্মদা খরা লিবীয়ুদনা।

মেমথোই :- মালেমগী ওইবা ইহান হানবা ক্লাইমেৎ কনফরেন্স অসি ইং ১৯৭৯ দা জেনেভাদা ৱার্ল্ড মেটেরিওলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ.এম.ও.)না শিন্দুনা পাংথোকসি। হায়রিবা কনফরেন্স অসিদা মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি য়াম্নমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ৱাফম অমা ওইরে অদুনা মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মরমদা খন্না নৈনখি। ৱার্ল্ড মেটেরিওলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ.এম.ও.), ইউনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরোন্টমেন্ট প্রোগ্রাম (ইউ.এন.ই.পি.) অমদি ইন্টরনেসনেল কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক ইউনিয়ন (আই.সি.এস.ইউ.)গা পুন্না খুৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড ক্লাইমেৎ প্রোগ্রাম কয়া পাংথোকপা হৌরকখি।

ইবোতোম্বা :- পারিঙানবা ! ইং ১৯৮৮ তা পাংথোকখিবা টোরোন্টো কনফরেন্স অদুনা করিগী মতাংদা পাংথোকখিবা কনফরেন্সনোনে।

পারিঙানবা :- হায়রিবা টোরোন্টো কনফরেন্স অসি চেঞ্জিং এটমোস্ফিয়ার হায়বদি অকোয়বগী নুংশিৎ শেংলক্তবা, কার্বোনডাইওক্সাইদ অমদি অতৈ গ্রীন হাউস গ্যাসকী চাং ৱাংখৎলকপগী মরমদা খন্না নৈনবনি, হায়রিবা কনফরেন্স অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৪৬তগী অখণ্ড-অহৈ মীওই ৩৪০না শরুক য়াখি।

লোয়াম্বা :- তাচৌ, ইউনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়দনা য়াম্না মরুওইবা মালেম পুম্বগী ওইবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্নবা থবক থৌরম কয়া শেমদুনা লৈরে। হায়রিবা ফ্রেম ৱার্ক অসি ইং ১৯৯২দা রিও দি জানৈরোদা পাংথোকখিবা আর্থ সবমিত হায়না খঙনবা ইউনাইটেদ নেসন্স কনফরেন্স ওন ইনভাইরোন্টমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট (ইউ.এন.সি.ই.দি.) হায়রিবা অসিদা শেমখি অদুগা মপুং ফানা থবক পায়খৎপা হৌবনা ইং ১৯৯৪দগীনি।

লৈহাও :- মালেমগী লৈবাক কয়ানা পুনশিন্দুনা মালেম অসিবু কন্নবা থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবোরে।

মেমথোই :- ইউনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (ইউ.এন.এফ.সি.সি.সি) হায়রিবা ফ্রেমৱার্ক অসিদা অহানবা ওইনা লৈবাক ৫০না সাইন তৌরবা মতুংদা, থবক পায়খৎপা হৌরকখি, কনভেন্সন অসিদা য়াওরিবা পার্টিশিং অসিনা কনফরেন্স ওফ দ পার্টিজ হায়বদি শম্না হায়রবদা 'কোপ' হায়না চহি খুদিংগী মীফম পাংথোকপা হৌরকখি। 'কোপ ৱান' হায়রিবসি বর্লিনদা ইং ১৯৯৫তা ফমখি।

পারিঙানবা :- 'কোপ থ্রি' না জপানগী কিয়োটোদা ফমখি, মসিবু 'কিয়োটো প্রোটোকোল' হায়না মালেমগী লৈবাক খুদিংনা কার্বোনডাইওক্সাইদ অমদি অতৈ অতোপ্পা গ্রীনহাউস গ্যাসশিং থাদোরকপা হস্থহন্নবা ৱারেপ লৌনখি।

ইবোতোম্বা :- ইবুংঙো হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়ামুক্না হায়রিবা ফ্রেমৱার্কতুদা য়াওরবগে।

পারিঙানবা :- তাচৌ, ইং ২০১৫ ফাওবদা মালেমগী লৈবাক ১৯৭ রোমনা ইউ.এন.এফ.সি.সি.সি. দা য়াওদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা থবক কয়া পাংথোকমীন্নরি।

লোয়াম্বা :- কনভেন্সন ওন বাইওলোজিকেল দাইভরসিটি, ইউ.এন. কনভেন্সন ফোর কোম্বেটিং দির্জাতিফিকেসন, কনভেন্সন ওন ৱেটলেন্দ হায়রিবা মালেমগী থাক্কী ওইবা কনভেন্সনশিং অসিসু য়াম্না মরুওইবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি।

লৈহাও :- ইনাও পারিঙানবগা ইচল মেমথোইগা ৱারী শান্নবসিদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখরে, পুক্নিং লৌশিংসু ওইহৌরে, খঙদবা কয়াসু খঙহৌরে নখোয়দগী ঙসিদি।

মেমথোই :- ইনন্মা, দাদা লোয়াম্বগী ফার্ম তৌনি হায়রিবা মফমদুবু কদাইৱাইদনো, কয়াম লাপকে।

লৈহাও :- হেরা অৱাং খুন্নৌদা লৈবা ঐখোয়গী লৌফমশিংদুদনিদা, পংলাপ লাপ্পা মফম নৎতেদা।

ইবোতোম্বা :- ঐখোয় ময়াম অমুক্তং পুন্না চৎতুনা য়েংমীন্নরুসিদনা, করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদুসু খন্নসি।

পারিঙানবা :- হোয় চৎলুসি তাচৌ, অদো তাচৌ ঙসিদি পুংসু থেংজিল্লক্লে, হয়েং অয়ুক ঙন্না চৎলসি।

লৈহাও :- হোয়নে মদুনবু ফরনি, ইতৈমা চাক পরপ থোংলুরগে নবানিসু চাক চারগা চৎলো।

লোয়াম্বা :- মেমথোই নঙবু অঙাং ওইরিঙৈদদি থন্মৌ শিংজু চাবা যাম্না পামখিদাই, হৌজিক্তি চানিংদ্রবরা।

মেমথোই :- হৌজিকসু চানিংঙিনা, হৌজিকপু থন্মৌ কদায়দগী লৌরুদোইনো।

লোয়াম্বা :- তু য়েংঙু মমাং পুখ্রিসিদা থম্বাল ময়াম শাৎখিবগী থন্মৌ য়াম তারবনে, মসিদগী তাল্লগা পীজদোইনে।

মেমথোই :- লাকও অদুদি হৌজিকমক থন্মৌ তাল্লুরসি, ঐ ঙসি থন্মৌ শিংজু চাদনদি শুংহন হল্লরোই।

ইবোতোম্বা :- মেমথোইসিদি অঙাং ওইরিঙৈগী নিংঙাই চাওবদু হৌজিক ফাওবা হল্লমদ্রিনা (নোকপা)।

পারিঙানবা : অস তাচৌ ঐখোয় মেমথোইগী চক্রিসিদি ঐসু খাঙ লাকপা ঙমপোৎ নত্তে, মানা চানিংবা পোৎতু ফংদ্রি ফাওবা ঐবু নিউয়োর্ক সিটিদুদসু কোইথি থিদুনা লৈহনলিবনি।

লৈহাও :- ইচলসিদি চানিংবদা চাগদবনি, শেৎনিংবতা শেৎকদবনি ননিং তৌগদবনি ইচলগুন্বী মতিক চারবী অমনবু তৌনিংবতা তৌগদবনি, লাকও লাকও ইনম্মগা চাক থোংমীন্নরুরসি।

মেমথোই :- হোয় ইনম্মা, দাদা লোয়াম্বা চৎলো থম্বৌ তাল্লকও, শীংজু চাবা য়াম্বা তান্নদোইনি ঙসিদি।

লোয়াম্বা :- হোয় হোয় চৎতা চৎচরে ইবেম্মা, সনা য়াথং ঙাকচরি।

-ম্যুজিক-

(মফম: লৌবুক লম্মাং, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

মেমথোই :- দাদা লোয়াম্বা, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদদি স্বাইগী লৌবুকশিংসে ফৌনানা পুমশং শং য়েংবগী পেনবা নাইরমদবনিকো, হৌজিক্তি লৌবুকশিংসে ইহাং হাংলে, লৈক্রক লোয়না চৎলে, লমগং হায়বদু ওইরেকো।

লোয়াম্বা :- হন্দক চহি খরসে নোং তাবগী চাং য়াম্না ৱাৎলে, অদুনা মনা-মশিং অমতা ফজনা হৌবা ঙমদরে, অদুনা ঐনা করি করম তৌরগা অহাংবা লমশিং অসিদা মনা-মশিং মখল মখল থাদুনা মহৈ-মরোং ফজনা হৌবা শেন্থোক ফজনা লৈবা ফার্ম অমা ওইহনবা য়াগদগে খল্লিবনি।

পারিঙানবা :- লৌবুক্কী অকোয়বা মফমশিংসিদা ইকোয় কোয়না পুখ্রি শাংনা তৌরসি, নোং তারকপা মতমদা নোংগী ঈশিং পুখ্রিদা য়োকশিন্দুনা থমহৌবা য়ানবা; পুখ্রিসিদা থুনা চাওগনবা ঙা মখল খরসু য়োক্লসি, ষণথি ষণয়ুংশিং হার ওইনা শিজিন্নবা য়ানবা ষণ খরসু অসোম মতাইসিদা লোইরসি, মতম মতমগী অইং-অশাগী ফীভম য়েংলগা চান্নগদবা পাম্বী মখলশিং, হৈ-লৈ পুন্নমক মফম চানা চানা থারসি।

লৈহাও :- অহানবা চহি খরদি খরা ৱাগনি অদুদগীদি তপ্পা তপ্পা মপুং ফাবা হৈ-লৈ মনামশিংতনা থল্লবা মফম অমা ওইরকঅনি, য়েংবগী পেনবা নাইররোই, মীয়াম পুন্নমক ঐখোয়গী ফার্মদগী মনা-মশিং, হৈ-লৈ পুন্নমক লৈবা লাক্লরনি, অস মদুগী মতমদু খংওই হেক ওইহন্নিংঙিদা।

ইবোতোম্বা :- লৈহাও নঙসে ওন্থোকপনিদকো, ভাবনা দোলান শাবদি ওন্থোক্লা হৈখরে, হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং পুন্নমক্তা চাওনা অকাইবা পীরক্লবা মতমসিদা নঙগী মঙলান্দুবু মঙফাওনগদৌরিবরনে।

মেমথোই :- তাচৌ ঐখোয় মীওইবনা থৱায় য়াওনা পুক্লিং চঙনা হোৎপু হোৎনরবদি করিগী মায় পাক্লোইদগে। মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা পুন্না খুৎশম্নদুনা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অকায়বা থোরক্লিবা, গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা অসুক কন্না হোৎনরিবসিদি।

লোয়াম্বা :- মেমথোই নঙগা পারিঙানবগা মতম খরদি সিদা লৈদুনা ঐগী ফার্ম শেমগৎ শাগৎপসিদা মতেং পাংহন্নিংঙি হায়ববু নোয়না করি খল্লিবা।

পারিঙানবা :- ই-মেল অমা লাকইসিবু করি হায়রিনো ... এ ! সিদি য়াম থুনা নিউ য়োর্কতা লাক্লবগী মেলনিনা ... মেমথোই ঐখোয় হয়েংমক চৎতবা য়াদরে, ইবানিমক অথুবা মিটিং অমা য়াওদবা য়াদবগী ইনষ্ট্রক্সন লাক্লে।

মেমথোই :- কৈনো হায়রিসিবো লাকপদা ঙাইরিঙৈনা অমুক হনবা তারবা, দাদা লোয়াম্বা ! দাদাগী নতেং মফমসিদা লৈদুনা য়াম্নদি পাংজনিংবনি অদুবু মীরমদা লৈদুনা থবক তৌরুরবনিনা চৎপা তারমাল্লে অমুক।

লৈহাও :- মোয় তাচৌ ! ঐদি নিউয়োর্ক সিটিদু য়াম য়েংনিংঙি, ঐখোয় পুল্লপ মেমথোইগা পারিঙানবগগী মতুং ইন্দুনা চৎলসিরা।

ইবোতোম্বা :- হা করি হায়বা !

-ম্যুজিক-